# অসামদা কোভিদকী অনৌবা কেস ১,৫৭৯ থেংনখি

গুৱাহাটি, জুলাই ১১ (এজেন্সী): হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা অসামদা কোভদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১,৫৭৯ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট অদুদা মীওই ১৬ শিহনখ্রে হায়না অসামগী হেল্থ মিনিষ্টর কেসব মহন্তনা ফোঙদোরক্লি।

ত্বিটরগী খুথাংদা মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা ষ্টেট অদুদা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা অপূনবা সেম্পল ৯৭,২৫৭ টেষ্ট তৌখি। মদুগী মনুংদা ১,৫৭৯ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনরকখিবনি। অসামদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ পোজিটিভিটি রেট অসি চাদা ১.৬ ওইরি। অদুগা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৫.১০ ওইরি।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তনা অসামদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২,৩৯১ থেংনখি। অদুগা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা পুন্না মীওই ২৪ শিহনখি। অমরোমদা ইন্দিয়াদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৪১,৫০৬ থেংনখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ গী এক্তিভ কেস মশীং ৪,৫৪,১১৮ লৈরি।

লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা নাখ্রবশিংগী মনুংদা পুন্না মীওই ২,৯৯,৭৫,০৬৪ লায়না লাইচৎ অসিদগী মপুং ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। হায়রিবা অসিগী মনুংদা মীওই ৪১,৫২৬ তি হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা রিকোভর তৌবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট খরদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস থেংনবগী মশীং হন্থরক্লবসু অতোপ অতোপ্পা ষ্টেট খরদদি লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। মসিনা মরম ওইরগা খুদিংমক্না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারি।



এম পি সী সীগী কো ওপটেদ মেম্বর অচোইবম দেবেননা লমলাই এ সীগী চহী ৬০ গী মথক্তা লৈবা মীওইশিং অমদি মপুরোইবা কায়নখ্রবী নুপীশিংদা মহাক্কী অপোকপী মমা অচোইবম ওংবী ইবেমহলগী মিংদা পেন্সনগী শেনফমশিং খুৎশিন্নখিবা

# নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনবদা নোংমৈনা কাপ্পদগী শোকখ্রে


গুৱাহাটি, জুলাই ১১ (এজেন্সী): ও এন জি সীগী ইমপ্লোয়ী কিদনেপ তৌবদা চেন্নবা মীওই অমা পুলিসনা ফারবা মতুং কষ্টদিদগী নাম্থোক্তুনা চেন্নবা হোৎনবদা পুলিসনা নোংমৈনা কাপ্পগী থৌদোক্তা মখোঙদা পানবদগী শোকখ্রে হায়রি।

থৌদোকঅসি অসামগী তিনসুকিয়া দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না সদিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা মফম অমদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই অদু তাপন বুরাগোহেন কৌই হায়না আইদেন্টিফাই তৌখ্রে। থৌদোক অসি হৌখিবা ইরাইনুমিত্তা থোকখিবনি। অদুমওইনমক পুলিসনা ৱাফম অসি ঙসি মীয়াম মমাংদা ফোঙদোরকখিবনি। পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মীওই অসিনা ও এন জি সীগী ইমপ্লোয়ী অমা অলফা (আই) না কিদনেপ তৌবদা অচৌবা মতেং পাংখি। মহাক অলফা (আই)গী থবক থৌরম কয়াদা চেন্নবা মীওই অমনি হায়রি।

# টি এম সীনা পৱার পায়রবদি ত্রিপুরাদা ত্রাইবেল সী এম লৈগনি

অগরটালা, জুলাই ১১ (এজেন্সী): লাক্কদৌরিবা ২০২৩ গী এসেমব্লি ইলেক্সনদা তৃনামুল কোংগ্রেসনা ত্রিপুরাদা লৈঙাক শেম্না ঙম্লবদি ষ্টেট অদুদা ত্রাইবেল চীফ মিনিষ্টর অমা শুংশোই শোয়দনা লৈহনগনি হায়না ত্রিপুরা টি এম সীগী প্রসিদেন্ট অসিস লালনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ২০২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা তৃনামুল কোংগ্রেসনা চাওনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। পার্টি অসিনা হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিদা গ্রাস রুটতগী হৌরগা থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা হৌখ্রে। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না পাম্নদ্রে হায়বসি খঙনরবা ৱাফম অমনি। মীয়াম্না পামদ্রবা লৈঙাক অসিবু ইন্দুনা মীয়ামগী ওইবা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্না হায়বসি তৃনামুল কোংগ্রেসকী লেংদ্রবা ৱাখল্লোননি। অমদি মায় পাকপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।



## CROSSWORD-3837

### ACROSS

1 European country (6)
4 Imaginary perfect place (6)
8 Enchantment (5)
9 Infuriated (7)
10 Fail to care for (7)
11 Receiver of stolen goods (5)
12 Wrecked (9)
17 Be evasive (5)
19 North African country (7)
21 Greedy eater (7)
22 S American mountain range (5)
23 Method (6)
24 Infrequently (6)

### DOWN

1 The sign of the twins (6)
2 Betrothed (7)
3 Go by bike (5)
5 Frugal (7)
6 Heathen (5)
7 Patron saint of Scotland (6)
9 Amuse (9)
13 Ghost (7)
14 Made fun of (7)
15 Upper parts of legs (6)
16 Kidnapper's demand (6)
18 Smears (5)
20 Place of burial (5)

**Solution 3836**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Z | E | U | S | | O | P | P | O | N | E | N | T |
| E | | N | | J | | A | | R | | R | | A |
| P | A | T | T | E | R | N | | D | I | E | T | S |
| P | | I | | S | | A | | E | | L | | K |
| E | R | E | C | T | | M | A | R | O | O | N | |
| L | | | | E | | A | | | | N | | V |
| I | M | P | O | R | T | | S | I | N | G | L | E |
| N | | A | | | | T | | N | | | | R |
| | U | N | E | A | S | Y | | D | U | V | E | T |
| E | | A | | B | | C | | I | | E | | I |
| D | E | C | A | Y | | O | R | G | A | N | I | C |
| G | | H | | S | | O | | O | | U | | A |
| E | V | E | N | S | O | N | G | | C | E | L | L |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3636

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 2 | | | | | | |
| 9 | 5 | 1 | | | | | | |
| | 4 | | | 3 | | | 7 | 5 |
| | | 5 | 8 | | | 1 | | |
| | 1 | 4 | 5 | | 7 | 6 | 8 | |
| | | 7 | | | 9 | 2 | | |
| 1 | 8 | | | 9 | | | 3 | |
| | | | | | | 7 | 6 | 1 |
| | | | | | | 5 | | |

## Solution-3635

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 1 | 4 | 9 | 5 | 7 | 8 | 3 | 6 |
| 7 | 6 | 5 | 3 | 8 | 4 | 1 | 9 | 2 |
| 8 | 9 | 3 | 2 | 6 | 1 | 7 | 4 | 5 |
| 4 | 7 | 9 | 1 | 2 | 6 | 3 | 5 | 8 |
| 1 | 5 | 2 | 8 | 7 | 3 | 4 | 6 | 9 |
| 6 | 3 | 8 | 5 | 4 | 9 | 2 | 1 | 7 |
| 3 | 4 | 6 | 7 | 9 | 8 | 5 | 2 | 1 |
| 5 | 8 | 1 | 6 | 3 | 2 | 9 | 7 | 4 |
| 9 | 2 | 7 | 4 | 1 | 5 | 6 | 8 | 3 |

লৌশিং পুক্কে

# কোভিদ দাইবিটিজ :

## কোভিদ-১৯না মীওই খরদা দাইবিটিজ নাহল্লিবা করিগীনো? -১

দাইবিটিজ হায়বসি কোরোনাভাসরসকীদমক্তদি য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা কোমোর্বিদিটি অমনি, অমদি মসি কোভিদ পেসেন্টশিংবু শাথিনা নাহনবা, ওক্সিজেন মথৌ তাবগী চাং হেনগৎহনবা, ফগৎলকপগী মতম কুইনা চঙবা অমদি শিবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা কমপ্লিকেসন কয়া অমগা মরী লৈনৈ। অদুমওইনমক মীওই কয়াগী ওইনদি কোভিদ-১৯গা লাম্থেংনবদা ইনৌ নৌনা দাইবিটিজ নাহল্লকপা য়াওরি। ফিভম অসিবু হৌজিক্কী ওইনা কোভিদ দাইবিটিজ হায়না কৌনরি।

ইন্টর্নেসনল জর্নেল ওফ এন্দোক্রাইনোলোজি এন্দ মেটাবোলিজমদা পল্লিস তৌখিবা অনৌবা রিপোর্ট অমনসু নৌনা দাইবিটিজ নারকপগী থৌওংশিং অসি পোষ্ট-কোভিদ কমপ্লিকেসন অমা ওইবগী চাং হেনগৎলক্লি লোয়নন মিপাইনিংঙাই ওইরবা অনৌবা খুদোং থীবা অমনি হায়না ৱার্নিং তৌরি।

অদুবু হায়রিবা ফিভম অসি ৱাংখৎহল্লক্লিবা অসি করিননো? মসি কোভিদনরা, নৎত্রগা অতোপ্পা মরমশিংনরা? ৱাহংশিং অসিগী মতাংদা দোক্তরশিংনা থম্বা ৱাফমশিং মখাদা পীরি।

হার্টতগীনা দাইজেষ্টিভ সিষ্টেম ফাওবদা, কোভিদ-১৯গা লাম্থেংনবনা কয়া য়াম্না মিপাইনিংঙাই ওইবা ফিভমশিং থোকহনবগে হায়বগী মতাংদা ইভিদেন্স কয়া অমা লৈখ্রে। হেন্না নৌবা ষ্টদিশিংনা উৎলি মদুদি, সার্স-কোভ-২ ভাইরস অসিনা পেনক্রিজদা য়াম্না শাথিবা মওংদা এটেক তৌই, ইন্সুলিন পুথোকপা অমদি রেগ্যুলেট তৌবা সেলশিংবু শোকহল্লি অমদি মসিগী মহৈ অমা ওইনা দাইবিটিজ ওইহল্লকই।

দোক্তরশিংগী মফমদসু নুংনাংবা পোক্লে মদুদি, মমাঙদা ব্লদ সুগর লেভেল ৱাংবগী হিষ্টরি লৈখিদবা কোভিদ কেসশিংদা ব্লদ সুগর লেভেল ৱাংখৎলকপা ফিভম অসিনা লায়না অসিগী মেনেজমেন্টতা অমুক্কা হেন্না অৱাবা ওইল্লে অমদি পেসেন্টশিংদসু হকশেলগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়া হান্নদগী অদুক্কী মতীক হেন্না মায়োক্লল্লে।

জাসলোক হোস্পিটাল, মুম্বাইগী দিপার্টমেন্ট ওফ দাইবিটোলোজি এন্দ এন্দোক্রাইনোলোজিগী কন্সল্টেন্ট ডা. শাভিয়াল চন্দালিয়ানা হায়খিবদা, কোভিদনা নারুৱবা মতুংদা ব্লদ সুগর লেভেল হেনগৎহনবা ঙম্বা মেকানিজম কয়ামরুম লৈ। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা অমা ওইনা, ইন্সুলিন পুথোক্লিবা পেনক্রিজকী বেটা সেলশিংদা কোভিদ-১৯ ভাইরসনা হকথেংননা এফেক্ট তৌবা থেংনরে, মদুনা পার্মেনেন্ট দাইবিটিজ নাহল্লকপা ঙমই।

এন্দোক্রাইনোলোজি এন্দ দাইবিটোলোজি, মেদন্টাগী দিরেক্টর ডা. সুনিল কুমার মিশ্রাগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ অমসুং ভাস্কুলর দিজিজ অমসু ওইরিবা দাইবিটিজকী মরক্তা লৈবা ময়েক শেংবা মান্নবশিং ওইনা ইনফ্লেমেসননা থোকহনবা ঙাক্তা ওইরিবা অনীমক অসি লংস অমসুং পেনক্রিজদা ভাইরস অসিনা এটেক তৌবা ঙমহনবা খুদোং থীনিংঙাই ওইরবা রিস্ক ফেক্টর অমা ওইবা য়াই, মসিনা পোষ্ট-কোভিদ কমপ্লিকেসন অমা ওইনা দাইবিটিজ নাহল্লক্লবা মরম ওইবা য়াই হায়রি।



ডা. আর্বিন্দর সিঙ্গাল, এম বি বি এস (গোল্ড মেদালিষ্ট), দি এন বি, এম সীঐচ (এইমস, গোল্ড মেদালিষ্ট), সী ঈ ও অমসুং কোফাউন্দর ফাট্টরফ্লাই হেল্থটেকনচিংবা খরনসু থাজরি মদুদি, সাইটোকাইনশিংনা থোকহনবা ইনফ্লেমেসনগুম্বা ইন্টেন্স ষ্ট্রেসরশিং অসি কোভিদনা নারুবদগী ফগৎলক্লিবা পেসেন্টশিংদা হাইপরগ্লাইসেমিয়া লৈহল্লক্লবগী ওইথোকপা য়াবা মরম ওইবা য়াই।

ইন্দিয়া অসি মালেমগী দাইবিটিজকী কেপিটেলনি হায়না থাজনরি, লোয়ননা মালেমগী মীওইশিংগী ওইনা চাংচত্তা লায়না অসিনা নাবা হৌরকপগী চহী মতাংদগী লৈবাক অসিগী মীওইশিংদনা চহী ১০ রোম ঙনখৎনা নাবা হৌরকই হায়বগী রেকোর্দসু লৈরি। কোভিদ-১৯না ওইহল্লক্লিবা প্রোব্লেম অসিনসু ক্রাইসিস অসিদা অহেনবা পোৎলুম হাপকৎলক্লি, দোক্তরশিংনা নহা অমসুং অহল পেসেন্টশিংদা হাইপরগ্লাইসেমিয়াগী সিম্পটমশিং অমসুং সাইনশিং থেংনরি।

কোভিদ দাইবিটিজ কেসশিং হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক অসিদা, দোক্তরশিংগী মতুংইন্না টাইপ-২ দাইবিটিজ দিভেলপ তৌরকপা য়াবগী চাং অসি কোভিদনা ময়ায় ওইরপ্পা চাংদা নৎত্রগা য়াম্না শাথিনা নাহনখিবা অমদি ষ্টেরোইদ থেরাপি তৌখিবা মীওইশিংদনা ৱাংবা হেল্লি হায়রি।

দোক্তরশিংনা হায়রি মদুদি, দাইবিটিজ হায়বসি ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা য়াম্না চাং ৱাংনা শোকহল্লিবা লায়না অমনি। অমদি হান্নদগী হৌনা লৈরক্লবা মশিং য়াল্লবা কেসশিং অমদি হৌখিবা থা খরা অসিদা হোস্পিটালাইজেসন তৌরকখিবশিং অসিনা মরম ওইরগা মশিং হেনগৎলকপগী ফিভম তশেংনা উবা ফংলি। লায়েংবগী মতাংদনা মোদরেট ওইবদগীনা সেভিয়র ওইনা নাবা কোভিদ কেস খরদা ঐখোয়না উবা ফংলে মদুদি, প্রোব্লেম অসিবু লাকহন্নবগী মরম অদু ষ্টেরোইদ শীজিন্নবা অসিনা ওইরম্বা য়াই। অকক্লবা ষ্টেরোইদশিং, মরুওইনা অৱাংবা দোজশিংদা থাবা মতমদা দাইবিটোজেনিক ওইবা য়াই, অমদি মদুনা দাইবিটিজ নাহল্লকপা য়াবা পামদবা অকক্লবা অহোংবশিং লাকহনবা য়াই।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

## EMPLOYMENT NEWS

Kerala PSC Government Jobs 2021 free job alert for 10th Pass, 12th Pass, ITI, Diploma and Degree holders. Kerala Public Service Commission (KPSC) invites online applications from qualified candidates for selection of various level of positions such as Superintendent, Assistant, Caretaker, Driver, Teacher, Peon, Managers, Overseer, Engineers, Assistant, Store Keeper, Nurse, Police Constable, Clerk, Typist etc.

Kerala Public Service Commission Category Number 204/2021 to 210/2021 Jobs: Kerala PSC has published recruitment notification (Extra Ordinary Gazette date 16/16/2021) of University Engineer, Programmer, Assistant Engineer, Professional Assistant, Overseer, Electrician and Driver Cum Office Attendant positions to be filled for Universities in Kerala. The last date for submission of applications is 21st July 2021.

CATEGORY NO : 204/2021 TO 210/2021:

Name of the Post
No of Vacancy
University Engineer
01
Programmer
01
Assistant Engineer (Civil)
01
Professional Assistant Grade I (Library)
01
Overseer Grade II (Electrical)
01
Electrician
01
Driver cum Office Attendant (Heavy Passenger / Goods Vehicle)
01

Age Limit:
University Engineer: 22 - 50 years
Programmer: 18 - 36 years
Assistant Engineer (Civil): 21 - 40 years
Professional Assistant Grade I: 22 - 36 years
Overseer Grade II: 18 - 36 years
Electrician: 18 - 36 years
Driver cum Office Attendant: 18 - 36 years

Pay Scale:
University Engineer: ? 68,700 - 1,10,400/-
Programmer: ? 39,500-83,000/-
Assistant Engineer (Civil): ? 39,500-83,000/-
Professional Assistant Grade I: ? 27,800-59,400/-
Overseer Grade II: ? 22,200 - 48,000/-
Electrician: ? 18,000- 41,500/-
Driver cum Office Attendant: ? 18,000- 41,500/-

Educational Qualifications:
University Engineer: Degree or equivalent qualification in Civil Engineering. 10 years working experience in the post of Assistant Engineer(Civil) or above in Government / Public Sector / Semi Government /Autonomous Institutions
Programmer: M.C.A/ B.Tech (Electrical and Electronics/ Electronics/ Computer Science) ORB.Tech (any discipline) with specialisation on Computer. (i.e., PGDC Aor equivalent) ORB.Tech (any discipline) with minimum 1 year experience in Data Processing/ Software Development. OR M.Sc with specialisation in Electronics/ Physics/ Computer Science/ Mathematics/ Statistics with minimum 1 year experience in Data Processing/ Software Development.
Assistant Engineer (Civil): Degree in Civil Engineering or other Qualification recognised as its equivalent thereto.
Professional Assistant Grade I: M.L.I.S.C or B.L.I.S.C in Library Science or any other equivalent qualification.
Overseer Grade II: 3 years recognized Diploma or equivalent qualification in the related subject. (Electrical) OR2.SSLC Or equivalent qualification and must have any of the following qualifications:
Electrician: SSLC (Matric) or its equivalent qualification and NTC Electrical /Wireman. OR SSLC or its equivalent qualification and Wireman Licence.2) Experience of two years as Wireman / Electrician.
Driver cum Office Attendant: A Pass in Standard VII or Equivalent Qualification. Must possess Current Motor Driving License to drive Light Motor Vehicles and Heavy Motor Vehicles with Driver's Badge.
Selection Process: Test / Interview.
How to Apply: Eligible Candidates must register as per One Time Registration through Kerala Public Service Commission Website (keralapsc.gov.in). After apply for above posts, The last date for registration of online applications is 21/07/2021 up to 12:00 Midnight.

---

Bihar Postal Circle GDS Recruitment 2021: Indian Post, Bihar Post Office invites online applications from minimum 10th 12th class passed candidates for the selection and engagement to the posts of Gramin Dak Sevaks (GDS) under Bihar Postal Circle. The closing date for submission of GDS Online Registration is 14th July 2021.

Name of the Post
No of Vacancies
Gramin Dak Sevaks (GDS) – Branch Post Master, Assistant Branch Postmaster (ABPM), Dak Sevak
1940

Community wise Consolidation of Posts: EWS - 146, OBC - 510, PWD-A - 12, PWD-B - 05, PWD-C - 23, PWD-DE - 02, SC - 294, ST - 45, UR – 903.

Age Limit:
Minimum 18 years and Maximum 40 Years as on 27th April 2021.
The upper age relaxation - 05 Years in case of candidates belonging to SC / ST, 03 Years to those belonging to OBC. [Plus 10 Years for PWD Category Candidates]

Eligibility:
Secondary School Examination pass certificate of 10th standard (Matriculation) with passing marks in Mathematics, local language and English (having been studied as compulsory or elective subjects) conducted by any recognized Board of School Education by the Government of India/ State Governments/ Union Territories in India shall be a mandatory educational qualification for all approved categories of Gramin Dak Sevaks.
Compulsory knowledge of Local Language (Hindi).
Basic Computer Training - This requirement of basic computer knowledge certificate shall be relaxable in cases where a candidate has studied computer as a subject in Matriculation or class XII or any other higher educational level.
Knowledge of Cycling.
Job Residence: The candidate selected for the post of GDS BPM must mandatorily take up his/her residence in the Branch Post Office village within one month after selection but before engagement as Gramin Dak Sevak Branch Postmaster. The candidate shall submit a declaration to this effect in the application. The candidate selected for the post of other than GDS BPM should reside in post village/delivery jurisdiction
Selection Process: Selection will be made as per the automatic generated merit list based on 10th Standard Marks. Passing of all the subjects as per the respective approved board norms is mandatory for taking candidate into account for calculating the merit. In case candidates get the same marks, the merit order would be taken as DOB (higher age as merit), ST Female, SC Female, OBC Female, UR female, ST Male, SC Male, OBC Male, UR Male.
Application Fee:
100/- for General (OC) / OBC / EWS Male / Trans-man Category Candidates.
Payment of fee is exempted for all female/ trans-woman candidates, all SC/ST candidates and all PwD candidates.
The fee for each set of five options. Candidate who requires to make the payment has to visit any Head Post Office or other identified Post Offices in India. The applicant can also pay the fee through online mode of payment using AP Post Online portal.
How to Apply: Eligible Candidates should be apply online for Bihar Circle Gramin Dak Sevak Vacancy 2021 through India Post GDS Online Portal from 27th April 2021. The Candidates first fill online application, then upload documents and submit Post preferences. Preview and take print out for reference. The last date for submission of online application is extended up to 26/05/2021. Again, the online registration process will be open from 30th June 2021 and scheduled to be end on 14th July 2021.

